# সুপ্রীম কোর্টনা নবেম্বর ১৩ দা সবারিমালা রিভ্যু পিটিসনশিং হিয়ারিং তৌরগনি

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৩ (এজেন্সী) : চহী গ্রুপ খুদিংমক্কী নুপী খুদিংমকপু কেরেলাগী সবারিমালাদা লৈবা চীংগী লাইশঙদা চঙবা য়াহল্লিবা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২৮ দা সুপ্রীম কোর্টনা পীখিবা মেজোরিটি জজমেন্টকী মায়োক্তা থারকখিবা রিভ্যু পিটিসনগী হিয়ারিংগী মতম ঙসি তোপ কোর্ট অসিনা নবেম্বর ১৩ দা লেপখ্রে।



চীফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়া রঞ্জন গোগোইনা ঙরাং হায়খি মদুদি, নেসনল অয়াপ্পা দিভোটিজ এসোসিএসন্না থাঙ্গৎলকখিবা ৱাকৎকী হিয়ারিং মতম লেপ্পলগনি। এপেক্স কোর্টনা ৱায়েল ষ্টে তৌবগী ৱাফম য়াখিদবগা লোয়ননা দসেরাগী ছুটিগা মরী লৈননা কোর্ট লোন্দ্রিঙৈ ওক্টোবর ২দা হিয়ারিং তৌবীয়ু হায়বসু য়াখিদবনি।

নেসনল অয়াপ্পা দিভোটিজ এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট শীলাজা ভিজায়ন্না থাখিবা ১ য়াওনা পিটিসনশিং অদুনা 'রিফোর্ম' হায়বসি সবারিমালাগী লাইদা থাজদবা অহুমশুবা পার্টিশিংনা ফাইল তৌখিবা পি আই এল অমদা য়ুন্ফম ওইরগা হান্না লৈরমদবা লাইনিং-লাইশোনগী চৎনবী অমা হেক্তা চৎনহনগদবনি হায়বদি নত্তে হায়রি।

সুপ্রীম কোর্টকী কনষ্টিট্যুসনল বেঞ্চ অমনা পীখিবা ৪:১ গী মেজোরিটি জজমেন্টনা চহী ১০ দগী ৫০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপীশিংনা লাইশঙ অদুদা লাই খুরুম্বদা অথিংবা থল্লিবদুবু শিংনরদুনা ইন্দিয়ন য়ং লোয়র্স এসোসিএসন্না থাখিবা চহী ১২ শুরবা পি আই এল প্লি শৌগৎখি। বেঞ্চ অদুনা নুপীশিংবু শুপ্পগী মখোয়গী থাগী খোংকাপকী ষ্টেটসতা য়ুন্ফম ওইরগা লাই খুরুম্বদা অথিংবা থন্বা হায়বসি মখোয়গী চাউথোকচনা হিংজবগী ফীভমদা শিংনবা অমনি হায়না ফোঙদোকখি। মদু নুপীশিংবু হন্থনা য়েংবগী মওংনি অদুনা কনষ্টিট্যুসনবু শিংনবনি। মদু দিকেদ কয়াগী মমাঙদা মুখৎখ্রবা শোক্ল-শম্ন বা য়াদবগী মওংনি। নুপীশিংদা অথিংবা থন্বা হায়বসি মান্নবা সিটিজন্সিপকী ৱাফমগসু তায়োন্নে। লাইনিং লাইশোনগী চৎনবী ইনবগী হকনা চহী ১০ অমসুং ৫০ গী মরক্তা লৈবী নুপীশিংগী মশাবু ঈকায় খুম্নজবগী হকতা শোকহনবা য়ারোই হায়না বেঞ্চ অদুনা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা, সবারিমালা লাইশঙগী মপানদা চরাংনবা ফীভমশিং লৈখিবা প্রোটেষ্টনচিংবা তৌখিবা পুম্নমক রাষ্ট্রিয়া স্বায়মসেৱক সঙ্ঘ (আর এস এস) না থোকহনবনি হায়না কেরেলাগী চীফ মিনিষ্টর পিনারায়ি ভিজায়ননা ঙসি হায়খ্রে অমসুং শেংলবা লাইশঙ অদুদা চহী ১০ দগী ৫০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপীশিংনা চঙবদা অথিংবা থল্লিবদু মখোয়না থোকহনবনি হায়না মরাল শিখ্রে।

চহী গ্রুপ খুদিংমক্কী নুপীশিংবু শেংলবা লাইশঙ অদুদা চঙবা য়াহল্লিবা সুপ্রীম কোর্টকী ওর্দর অদুবু থবক্তা ওন্থোক্ল বা ষ্টেট লৈঙাক্না অঙন্বা থাক্তা হোৎনখি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা ভিজায়ননা হায়খি মদুদি, লাইফম কোইবশিংগীদমক্তা লোর্দ অয়াপ্পাগী লাইশঙ অদুবু মতম খরগী ওইনা হাংখিবদুদা আর এস এসনা লাইশঙ অদুবু ৱার জোন ওন্থোকখি।

কেরেলা লৈঙাক্না ভার্দিক্ট অদু থবক্তা ওন্থোক্কনি হায়না সুপ্রীম কোর্টতা থাজবা পীখি। মদুগী মতুংইন্না লৈঙাক্নসু তঙাইফদবা ফেসিলিটি খুদিংমক শিন-লাংখি। লৈঙাক্নসু পুলিসনসু দিভোটিশিংবু থিংনবা হোৎনখিদে। আর এস এসনা সবারিমালা লাইশঙবু ৱার জোন অমা ওন্থোকখি হায়না কেরেলাগী সী এম পিনারায়ি ভিজায়ননা পাউমীশিংদা হায়খি।

প্রোটেষ্টরশিংনা গাড়ীশিং কন্ট্রাল তৌনবা হোৎনখি, নুপী দিভোটিশিং অমসুং মীদিয়াগী মীওইশিংদা এটেক তৌখি হায়না সী এম ভিজায়ননা মখা তাখি।

# সিক্যুরিটি গার্দনা নোংমৈনা কাপখিবা জজগী মচানুপা হোস্পিটালদা লৈখিদ্রে



গুরুগ্রাম, ওক্টোবর ২৩ (এজেন্সী) : সিক্যুরিটি গার্দনা নোংমৈনা কাপ্পদগী শোকখিবা গুরুগ্রামগী এদিসনল দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজগী নহা ওইরিবা মচানুপা ঙসি অঙনবদা গুরুগ্রাম হোস্পিটালদা লৈখিদ্রে। মহাক অমসুং মহাক্কী মমাবু ওক্টোবর ১৩ দা সাউথ সিটি-২ মার্কেটতা মখোয়গী পর্সনেল সিক্যুরিটি গার্দনা মীয়াম মাঙদা নোংমৈনা কাপখিবনি।

ধুঙবা কৌবা নুপামচা অদুবু হোংজিনখিবা মেদান্তা হোস্পিটালগী স্পোক্সমেননা মহাক অয়ুক অঙনবা পুং ৩ রোম তাবদা লৈখিদ্রে হায়না ফোঙদোকখি। নোংমৈনা কাপখিবা নুমীৎতুগী নোংঙানবদা মহাক লাইফ সপোর্ট সিষ্টেমদা থমদুনা লায়কন্নরকখি। মশা ইনখৎলক্লিবা নুপামচা অদুগী অপোকপা জজ কৃষন কান্টনা মচাগী ওর্গানশিং কৎথোক্লগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে। পূক অমসুং থবাক্তা কাপখিবা ধ্রুবগী মমা রিতু কান্ট (৩৭) নোংমৈনা পাল্লবা মতুং পুং খরা লৈরগা শিখি।

নুংথিলগী মতমদা সোপ্পিং লোইরবা মতুংদা মমা-মচানা মখোয়গী কারদা তোংখৎলিঙৈদা কন্সটেবল মহিপাল কৌবা মখোয়গী সিক্যুরিটি গার্দ অদুনা মখোয়দা অনকপা রেঞ্জদগী কাপখিবনি। নুপামচাদু মকোক্তা অনীরক অমসুং লেংবানদা অমুরক কাপখি। এটেক অদুগী মতুং পুং ২ লৈরগা এক্যুজ মহিপাল গুরুগ্রাম-ফারিদবাদ রোদতগী ফাখি।

খঙহৌদনা কাইহৌখিবগী থৌওং অমদা এক্যুজ অদুনা মমা-মচাদা নোংমৈনা কাপখিবনি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে। সোপ্পিং লোইরবা মতুংদা জজ অদুগী লোইনবী অমসুং মচানুপানা থীবদা ফংদবগীদমক মখোয়না দ্রাইভর মহিপালদা চৈবদগী খঙশাও শাওগৎলক্তুনা দ্রাইভর মহিপালনা মখোয়নিবু খুদক্তা নোংমৈনা কাপখিবনি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।

কেস অদুগী স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম অদুবু লুচিংলিবা দেপ্যুটি কম্মিস্নার ওফ পুলিস (ইষ্ট) সুলোচানা গুজরাজনা হায়, পি এস ও অদুনা রিতু কান্ট অমসুং ধ্রুভ কান্টবু নোংমৈনা কাপখিবগী মরম শেংনা খঙবা ঙমদ্রি।

মহাক্না হায়, ৱাহং-পাউহং চথবদা এক্যুজ অদুনা পুলিসতা মহাক হৌখিবা নুমীৎ খরনি অসি ৱাখল ইনুং নুংঙাইতে, তূম্বসু ফজনা তূমখিদে হায়খি। তৌইগুম্বসুং মহাক্না মদুগী মরমদি পীখিদে। থাংজ নুমীৎকী নুংথিলদা ফাখিবা মহিপাল নুমীৎ মরিনি পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ পীখ্রে হায়রি। রিৱারিদা লৈবা মহিপালগী মখুরা দান সিংহনা ফোঙদোক-খিবদা, কন্সটেবল অদু সেপ্টেম্বর ২৩ দা মখোয়গী মনাক্তা লাকখি অদুবু মতমদুদা নুংঙাইতবগী মতৌ অমত্তা উখিদ্রে।

# গ্রীন ফায়রক্রেকরশিংদমক কৈথেলদা য়োনগদবনি : সুপ্রীম কোর্ট

ন্যু দিল্লি, ওক্তোবর ২৩ (এজেন্সি): সুপ্রীম কোর্টনা ঙসি ফায়রক্রেকরশিং (বম্বুলা) পুমথিং থিংবগী মহুত্তা পোল্যুসন থোকহনবগী চাং নেমগদবা অমসুং ইকো-ফ্রেন্দলি ওইবা গ্রীন ফায়রক্রেকরশিংদমক কৈথেলশিংদা য়োনগদবনি হায়খ্রে।

অয়াবা পীবা য়াবা চাংদা মখোল হৌবগী দেসিবেল লিমিট লৈবা গ্রীন ফায়রক্রেকরশিংদমক কৈথেলদা য়োনবা য়াহনগনি হায়না লৈবাক অসিগী তোপ কোর্টনা মসিগী ওর্দরদা হায়খি।

জজ হর্জান কুমার সিক্রিনা হায়, লাইসেন্স পায়বা ত্রেদরশিংদনা 'খুদোংথিনিংঙাই ওইদবা' ফায়রক্রেকরশিং য়োনবা য়াহনগনি। ওনলাইনদা ফায়রক্রেকরশিং য়োনবদসু অথিংবা থল্লে।

ফায়রক্রেকরশিং য়োনবদা অথিংবা থন্বা ওর্দর অমা পীবীনবা থাখিবা পিটিসনশিংগী পাউখুম ওইনা এপেক্স পোর্টনা ওর্দর অসি থোকখিবনি। সুপ্রীম কোর্টনা ওনলাইনদা ফায়রক্রেকরশিং য়োনবদসু অথিংবা থমখ্রে লোয়ননা ফ্লিপকার্ট, এমাজনগুম্বা ঈ-কম্মর্স পোর্টেলশিংদা মখোলগী দেসিবেলগী চাং য়ানিংঙাই ওইবা লিমিটতগী হেনবা ফায়রক্রেকরশিং য়োনবদসু অথিংবা থমখ্রে। "ঈ-কম্মর্স ৱেবসাইটশিংনা কোর্টকী দিরেক্সন ইনদ্রবদি কনটেম্পট ওফ কোর্টকী মরালদা কৌখৎকনি হায়না তোপ কোর্টনা চেকশিনৱা হায়খি।

সুপ্রীম কোর্টনা ক্রেকরশিং (বম্বুলা) পোকখায়বগী (থাবগী) মতমসু লেপ্লে। দিৱালি অমসুং অতৈ লাইনিং-লাইশোনগা মরী লৈনবা কুম্মৈশিংদা নুমীদাং পুং ৮ দগী ১০ ফাওবগী মনুংদা ক্রেকরশিং পোকখায়হনবা য়াহনখি।

চৈরকসিদা, খৃষ্টমাস অমসুং ন্যু য়ারদা ক্রেকরশিং শীজিন্নবা নুমীদাং অথেংবা পুং ১১:৪৫ দগী পুং ১২:৪৫ ফাওবা য়াগনি হায়খি। হন্দক নুমীৎ খরনি অসিদা দিল্লিগী মফম খরদা এয়র ক্বালিটি ইন্দেক্স (এ ক্যু আই) ৩০০ গী মথক্তা ৱাংখৎলকখিবগী ফীভম য়েংলগা সুপ্রীম কোর্টকী ওর্দর অসি মরুওইবা খোঙথাং অমনি হায়না লৌবা য়াই। এ ক্যু আইনা নুংশিৎতা হূ ওইবা পোৎশকশিং য়াওবগী চাং ওল্লি।

চাম্মগী মথক ওইবা খুদিংমক হকচাং শোক্লিংঙাই ওই হায়না সেন্ট্রেল পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দনা খন্নে।

অমরোমদা, সুপ্রীম কোর্টকী ওর্দর অদু ষ্ট্রিক্ট ওইবা ৱাৎলি হায়না সেন্ট্রেল পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী এদভোকেট ভিজয় পঞ্জৱানিনা হায়খ্রে। ফায়রক্রেকর শীজিন্নবা মপুং ফানা থিংলক্কনি হায়না ঐখোয়না থাজখিবনি অদুবু মদু থোকখিদ্রে। ক্রেকরশিং শীজিন্নবা য়াহনগদৌরি তৌবতবু মতমগী মতাংদদি অথিংবা লৈরে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# ফেসবুক্তা ফজদবা পোষ্ট থাগৎখিবা নুপা অমা বুক তৌখ্রে

অগরতালা, ওক্তোবর ২৩ (এজেন্সি): ত্রিপুরাগী চীফ মিনিষ্টর বিপ্লব কুমার দেবগা মরী লৈননা ফজদবা পোষ্ট থাগৎপগী মরালদা ফেসবুক য়ুজর রাজিব দেগী মথক্তা কমপ্লেন্ট অমা রেজিষ্টর তৌরে হায়না পুলসিনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

রাজিব দে কৌবা ফেসবুক য়ুজর অমনা চীফ মিনিষ্টর বিপ্লব কুমার দেব চেন্নবা নাতে চাদবা অমসুং ফজদবা মওংগী কার্টুন অমা থাগৎলকখি। পোষ্ট অদু কোন্না য়ুজরগী একাউন্টদগী লৌথোকখি। অদুম ওইনমক ঐখোয়না মহাক্কী মথক্তা কমপ্লেন্ট অমা রেজিষ্টর তৌরে হায়না ৱেষ্ট ত্রিপুরাগী এস পি অজিৎ প্রতাপ সিংহনা পাউমীশিংদা হায়খি। এস পি অসিগী মতুংইন্না কমপ্লেন্ট অদু আই টি এক্টকী মখাদা ৱেষ্ট অগরতালা পুলিস ষ্টেসন্দা রেজিষ্টর তৌখি। পুলিসনা হৌজিকসু পোষ্ট অদু অশেংবা একাউন্ট অমদগীরা নৎত্রগা শাশিন্নবা ফেসবুক একাউন্ট অমদগীরা হায়বদু খঙদোক্লবা মখা তানা হোৎনরি। ইস্যু অসিগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চথরি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মীফা মীপুন অমত্তা লৈতে হায়না এস পিনা মখা তাখি।

পনবা য়াই, ওক্টোবর ৬ তা কোলকাটা পুলিসকী টিম অমনা ধলাই দিষ্ট্রিক্টকী অম্বাসাদকী মীওই অমা ফেসবুক্তা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিবু করেম কথাইনবগী ৱাহৈ ৱাতাশিং য়াওবা পোষ্ট অমা থাগৎপগী মরালদা ফাগৎখি। লোকেল কোর্ট অমদগী ত্রাঞ্জিট রিমান্দ অমা লৌরবা মতুংদা মহাক তুংদা কোলকাতাদা পুখি।


## গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া
## মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং

**দ্রাফ্ট স্পোর্টস ব্রোদকাষ্টিং সিগ্নেলস (মন্দেটরি স্যেরিং ৱিথ প্রসার ভারতি (এমেন্দমেন্ট) বিল, ২০১৮ দা ফীদবেক/কম্মেন্টশিং থাবীরক্নবা খঙহঞ্জবা।**

**তারিখ : ওক্টোবর ১৬, ২০১৮**

স্পোর্টস ব্রোদকাষ্টিং সিগ্নেলশিং তঙাইফদনা প্রসার ভারতিগা স্যেরিং তৌনবগী খুথাংদা লৈবাক্কী ওইবা মরুওইবা স্পোর্টিং ইভেন্টশিংবু শেল তীংদবা মওংদা ভ্যুঅর মশিং খ্বাইদগী য়াম্বনা থাক য়াহন্নবগীদমক্তা দ স্পোর্টস ব্রোদকাষ্টিং সিগ্নেল (মন্দেটরি স্যেরিং ৱিথ প্রসার ভারতি) এক্ট, ২০০৭ কী সেক্সন ৩(১) গী এমেন্দ তৌনবা মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিংনা প্রপোজ তৌরি। প্রপোজ তৌরিবা বিল অদুগী অকুপ্পশিং মিনিষ্ট্রি অসিগী ৱেবসাইট (**https://www.mib.gov.in**) তা ফংগনি।

দ্রাফ্ট বিল অসিদা পীবা ফীদবেক/কম্মেন্টশিং তেল্লপ্পা জষ্টিফিকেসনশিংগা লোয়ননা মিনিষ্ট্রি অসিগী ৱেবসাইট তা নৎত্রগা ঈ-মেলগী খুথাংদা ঈ-মেল আই দি '**harcharan.kaur@nic.in**' দা নোটিশ অসি ফোঙবদগী নুমীৎ কুম্থ্রানি (৩০) গী মনুংদা থারক্কদবনি। ফীদবেক/কম্মেন্টশিং থাবা মতমদা থারিবা মী অদুগী মিং, কন্টেক্ট নম্বর, ঈ-মেল এদ্রেস অমসুং পোষ্টেল এদ্রেস শেংনা হাপকদবনি।

davp 22202/11/0014/1819



## OFFICE OF THE
## INDEPENDENT TWO MEMBER ENQUIRY COMMITTEE

**GENERAL NOTICE**
Imphal, the 22nd October, 2018

No. 02/ITMEC/2018: 27 Notice is hereby given for information to all concerned and the general public that the sitting of the Independent Two Member Enquiry Committee shall resume examining the witnesses from the side of the University Community i.e. MUTA, MUSA and MUSU at 3:00 p.m. of 29th October, 2018 (Monday) at Regency Hall, Classic Hotel, Imphal (4th Floor). The examination shall continue onwards.

True copy of the order passed on 20.10.2018 by the Independent Two Member Enquiry Committee is enclosed herewith for general information.

Enclosed : As stated above.

Sd/-
L. Birendrakumar Sharma
Secretary-cum-Assessor

## PROCEEDINGS OF THE INDEPENDENT TWO MEMBER ENQUIRY COMMITTEE

**20.10.2018**

In the earlier order of this Committee dated 26.09.2018, we had clearly indicated that in spite of proper notice to Prof. A.P. Pandey for his personal appearance before this Committee, he did not appear before this Committee. Under para no. 6 of the order of the Ministry of Human Resource Development (MHRD) dated 17.08.2018, Prof A.P. Pandey has to appear before the Committee as and when necessary.

The Committee is of the clear cut view that appearance of Prof. A.P. Pandey before this Committee is required in compliance of natural justice inasmuch as examination of witness supporting the allegations against him will be recorded in his presence, so that he may avail of the opportunity to cross-examine the witnesses.

Non-cooperation of Prof. A.P. Pandey in the proceeding of the Committee is one of the grounds for the delay in completing the enquiry proceedings. For the ends of justice and also for fair procedure, MHRD is directed to enforce its own order dated 17.08.2018 by compelling the appearance of Prof. A.P. Pandey before this Committee in person on the next date of sitting i.e. on 29th October, 2018.

It is also made clear that MHRD may take all the possible forceful steps to enforce the appearance of Prof. A.P. Pandey before this Committee in compliance of the order of the MHRD dated 17.08.2018. The Nodal Officer and Secretary of this Committee are also directed to take immediate steps for communicating this order to MHRD for necessary compliance.

The Nodal officer and the Secretary of this Committee are further directed to inform the next date of sitting of this Committee through public advertisement in 2 (two) local dailies (one in English and one in local vernacular) for 3 (three) consecutive days.

Next sitting of this Committee will be on 29th October, 2018 for appearance of Prof. A.P. Pandey in person and also for examination of witnesses.

Sd/-
Justice T. Nandakumar Singh,
Chairperson

Sd/-
Prof. M.K. Choudhary,
Member

HL-B/4934/23-25Oct.



কেন্দ্রীয় কৃষি বিশ্ববিদ্যালয়
## CENTRAL AGRICULTURAL UNIVERSITY
ইম্ফাল - ৭৯৫০০৪, মণিপুর Imphal – 795 004, Manipur
ফৈক্স ন.- ০৩৮৫ - ২৪১৫১৯৬, দূর্ভাষ ন.- ০৩৮৫ - ২৪১০৬৪৪
Fax No. 0385-2415196, Phone No. 0385-2410644
Email - registrar.cau@gov.in regcau@gmail.com

**NOTICE**
Imphal, the 23rd October, 2018

No.CAU/Reg/93/Appt-B/97/ 7292 It is hereby informed to all the successful candidates in the written examination held on 6th & 7th October, 2018 (enlisted at www.cau.ac.in) for different posts of Central Agricultural University, Headquarters, Imphal and College of Agriculture, CAU, Iroisemba, Imphal that Skill Test of the respective posts will be held from 28th to 30th October, 2018 at College of Agriculture, Iroisemba, CAU, Imphal on the following schedule: Hence, shortlisted candidates are requested to report at College of Agriculture, CAU, Iroisemba, Imphal as per the schedule.

| Sl.No. | Date | Session-I | Session-II |
|---|---|---|---|
| 01. | 28.10.2018 | LDC for College of Agriculture, Imphal 9.30 A.M. to 11.30 A.M. | LDC for CAU HQ. Imphal 12.30 P.M. to 6 P.M. |
| 02. | 29.10.2018 | Driver 9.30 A.M. to 11.30 A.M. | Multi tasking Staff 1 P.M. to 6 P.M. |
| 03. | 30.10.2018 | Library Assistant & Personal Assistant 9.30 A.M. to 12 Noon | Stenographer Grade III 1 P.M. to 5 P.M. |

Sd/-
Prof. K. Mamocha Singh
Registrar

HL-B/4940/24



## MANIPUR UNIVERSITY
## CANCHIPUR: IMPHAL

NOTICE
Dated, the 23rd October, 2018

**No.MU/3-392/18/FCY:** In partial modification of the earlier Advertisement No. MU/FES/GL-Recruit/6-16 dated 2nd July, 2016, it is hereby notified that 4(four) Guest Lecturers on contract basis will be appointed in the Department of Law through **walk-in interview**.

Further, the candidates who have already applied for the said post under the said advertisement shall be allowed to appear in the said Walk-in interview.

**Essential Qualifications:** As per UGC Guidelines.

**Honorarium:** Rs. 500/- per lecture subject to a maximum of Rs. 21,600/- (Twenty-one thousand six hundred) only per month.

**Date of Interview:** - 29/10/2018 at 11 AM.

**Place of Interview:** - Office of the Dean, School of Social Sciences, MU

Candidates are required to submit their bio-data along with supporting documents to the Dean, School of Social Sciences, Manipur University, Canchipur – 795003 between 10 a.m. and 11 a.m. on the same day.

Sd/-
David K. Zote
Registrar i/c

HL-B/4942/24&25



